**AIR, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(DATE 09-10-2023)**
**(তাং ০৯-১০-২০২৩, নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙাস্থোইনা পাউ পাজরি---**

**---অহানবদা মরুওইবা পাউ---**

১) রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসিদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা মওংদা ওপরেসন চথুবা হৌরে।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

৩) ইলেক্সন কম্মীসননা মীজোরাম,ছাতিসগর, মধ্য প্রদেশ, রাজস্তান অমসুং টেলঙ্গন বিধান সভা মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে।

৪) সিক্কিমদা হন্দক খঙহৌদনা থোকখিবা ঈচাউনা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩৪ শুরে। মসিগী মনুংদা আর্ম্মী পরসনেল ১০ য়াওরি।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা তানজানিয়াগী রাষ্ট্রপতি শামিয়া সুলুহু হাসনগা ঙসি ন্যু দিল্লদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**কুলদিপ(এল)ঃ** রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসিদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা মওংদা ওপরেসন চথবা হৌরে। ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রি সেক্রেটরিয়েতকী দরবার হোলদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী কুলদিপনা হায়- ঙসি রাজ্য অসিগী চুরাচান্দপুর , থৌবাল, ককচিং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মহাকা হায়- পুলিসতগী লৌখিবা আইননা য়াদবা মওংদা হৌজিক শিজিন্নরিবা অসি খুৎলায় পুমমক লৌখৎত্রিবা ফাওবা ওপরেসন অসি মখা চথুখিগনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী সিনাম খুলদা ঙসি চথুখিবা ওপরেসন অমদা -এ.কে রাইফল ১, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২০, থ্রি নোথ থ্রি রাইফল ১, করবাইন অনি,বুলেট প্রেুভ ৫ ফাগৎখি। চুরাচান্দপুর জিলাগী জালেংকোট খুলদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা -মোতার লোঞ্চর ১, করবাইন ১, কন্ত্রিমেদ পিস্তোল ৪, পম্পী অমসুং গন পাউদরনচিংবা ফাগৎখি। জিলা অসিগী খৌশাবুংদা এরিয়াদসু ঙসি সেক্যুরিতি ফোসনা থি হুম্বগী থবক চথুখি।

থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক গ্বারোক চীংদা ঙসি সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মেগজিন ৮ গা কোন্ননা, এস.এল.আর বিয়ারিং অমা,হেন্দ গ্রেনেট অমা ফাগৎপা ঙমখি। স্পিসিয়েল ওপরেসন গ্রুপ থৌবাল, ৩৩ সুবা অসাম রাইফলস ,বি.এস.এফকী ১৯৫সুবা বত্তালিয়ন অমদি য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা পুন্না চথবা ওপরেসনদা খুলাইশিং অদু ফাগৎখিবনি। ফাগৎলবা খুৎলাইশিং অদু য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসনগী ও.সি.দি খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। রাজ্য অসিগী ইরাং মনুংদা পুলিস ষ্টেসনশিংদগী খুৎশু খুৎলায় কয়া লৌখিবা অদু নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা পীখৎলকবা মুখ্য মন্ত্রিনা নোংথোম্বম বিরেননা খঙহনখিবা মতুংদা খোংথাং অসি লৌখৎলকপনি।

শ্রী কুলদিপনা হায়-

**--সাউন্দ শ্রী কুলদিপ--**

**অকাশবানি ঃ** কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়দা দাইরেক্তর (এদমিনিষ্ট্রেসন) ওইরিবা রাজেন্দ্র সিংহনা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালনা স্বাচ ভারত স্পেসিয়েল কেম্পেন থ্রি পোইন্ট জিরোগা মরী লৈননা পায়খৎপা লম-তু শেংদোকপা অমদি ওফিস লু-নালহনবগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। শ্রী রাজেন্দ্র মণিপুর অমদি ত্রিপুরাদা লৈবা মন্ত্রালয় অসিগী তোঙান তোঙানবা মিডিয়া য়ুনিতশিংনা চথুরিবা স্পেসিয়েল কেম্পেন অসি য়েংশিন্ননবা কেন্দ্র সরকারনা থারকপনি।

ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগী ওদিতোরিয়ম হোলদা শ্রী রাজেন্দ্রবু ওকপগী থৌরম অমা অকাশবানি ইম্ফালনা শিন্দুনা পাঙথোকখি। মদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী দাইরেক্তর (ইঞ্জিনিয়ারিং) এল. নন্দকুমার, হেদ ওফ প্রোগ্রাম আধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মা, নিউজ ইদিটর থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎ অমদি অকাশবানি ইম্ফালগী কর্ম্মচারিশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রাজেন্দ্র সিংহনা হায়- লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংনা লু-নানবগী স্পেসিয়েল কেম্পেন অসি চথুরি। হায়রিবা কেম্পেন অসি লৈবাক অসিবু লু-নান্না থন্বা, লায়না তিলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা অমদি চাওখৎ মাইকৈদা খুমাং য়াংশিন্নবগী পান্দমদনি। পান্দম অসি ফংননবা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা কেম্পেন অসিদা লৈবাক অসিগী মীয়ামা পুন্না শরুক য়ামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

**--সাউন্দ রাজেন্দ্র--**

তুংদা, মন্ত্রালয়গী দাইরেক্তর (এদমিনিষ্ট্রেসন) অসিনা লমফেলপাৎতা লৈবা এ.আই.আর ষ্টাফ কোলোনিদা চত্তুনা মফম অদুগী লু-নানবগা মরী লৈননা পায়খৎপা থবকশিং য়েংখি। লোয়ননা অকাশবানি ইম্ফালগী কর্ম্মচারিশিংনা পায়খৎপা লু-নানবগী থবক্তা অপেনবা ফোংদোক্লমখি।

**বিজয় কোইজমঃ** হান্নগী মন্ত্রি অমসুং মনিপুর দিমোক্রেতিক এলাইন্সকী চিয়রমেন বিজয় কোইজমনা হায়রি- মহৈরোই অনি মাংখিবগা মরী লৈননা সি.বি.আইনা মীওই ৪ ফাখিবা অদু তরামা ওকই। অদুবু মহৈরোই অনিগী হকচাং হৌজিক ফাওবা পুথোকপা ঙমদবা অসি লাইবক থিবনি। মনিপুর দিমোক্রেতিক এলাইন্সনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিজয় কোইজমনা হায়- রাজ্য সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎতুনা মহৈরোই অনিগী হকচাং ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নবিয়ু। রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা কেন্দ্রগী সেক্যুরিতি ফোর্স কয়া থাজিল্লক্লবসু চীংগা তাইনবা মফম কয়াদা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং লেপ্পা লৈতানা চত্থরিবা অসি অকনবা থবক লৌখৎতুনা লেপহন্নবা শ্রী বিজয়না তকশিনখি।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**কার্ফিউ(এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। বিষ্ণুপুর জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

**দেঙ্গী(এল)ঃ** নোনে জিলাদা দেঙ্গী লায়চৎ পাকশন্না শন্দোরকপা থিংনবা লোংমাই বজার বোর্দ অমদি ৮৬ বত্তালিয়নগা খুৎশমরগা লোংমাই বজারদা ঙসি ফোগিং তৌখ্রে। অমরোমদা, বিষ্ণুপুর জিলাগী মালেরিয়া ওফিস, নহরু য়ুবা কেন্দ্র অমদি আইদিয়েল ক্লপ ঙাইখোংনা দেঙ্গী লায়নদগী ঙাকথোকবা থৌরাং ওইনা ওইনাম কেন্দ্রগী মনুংচন্না ঙাইখোংদা কাংখল ৭০০ হিদাক লুপথোক্তুনা য়েন্থোকখ্রে।

**বস(এল)।ঃ** মনিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট বিভাগকী মখাদা ঙসিদগী থৌবাল লৈশাংথেম খোং মনুংদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাহেংবম লৈকায় ফাওবা সিটি বস সার্ভিস হৌদোকখ্রে। বস অসিগী ভারানা লুপা ৫০ ওইগনি হায়রি। থৌবাল লৈশাংথেমদগী হৌরগা চোংথাম কোনা, ইরম সিফাই, ৱাঙ্গোই,হিয়াং থাং ফাওরগা ৱাহেংবম লৈকায়গী পার্কীংদা লমথুংফম ওইগনি।

সিটি বস লমথাবগী থৌরমগা মরী লৈননা থৌরমগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা লৈশাংথেম চাউখৎলুপকী চিফ এদভাইজর ইরোম বিজয়না হায়- লৈশাংথেম চাউখৎ লুপনা হৌখিবা জনুৱারি থাদা মনিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট বিভাগী মকোক থোংবশিংদা মফম অসিদগী বস সার্ভিস লৈহনবিনবা হায়জখি। মদুগী মতুং ইননা মসিগী বস সার্ভিস অসি লৈহল্লকপনি।

**মীখল ঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা মীজোরাম,ছাতিসগর, মধ্য প্রদেশ, রাজস্তান অমসুং টেলঙ্গন বিধান সভা মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে।রাজ্য ৫ অসিগী মীখল মথং থাগী ৭ তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। ভোট মশিং দিসেম্বর অহুমদা থিগনি ।

চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিপ কুমারনা হায়- মীজোরাম বিধান সভাগী মীখল নবেম্বর ৭ তা পাঙথোক্কনি । মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ১৩ দা থোক্কনি। ছাতিসগর বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অনি থোকা নবেম্বমর ৭ অমসুং ১৭ তা পাঙথোক্কনি। মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ১৩ অমসুং ২১ দা থোক্কনি। মধ্য প্রদেশ বিধান সভা মীখল নবেম্বর ১৭ তা পাঙথোক্কনি অমদি নোতিফিকেসননা থা অসিগী ২১দা থোক্কনি। রাজস্তান বিধান সভা মীখল নবেম্বর ২৩ দা পাঙথোক্কনি । মীখলগী নোতিফিকেসন থা অসিগী ৩০ দগী থোক্কনি। তলঙ্গানাগীনা নবেম্বর ৩০ দা মীখল পাঙথোক্কনি অমদি নোতিফিকেসননা মথং থাগী ৩ দা থোক্কনি। রাজ্য ৫ অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৭৯ দা ভোত্তর কোতি ১৬ রোম লৈরি। মসিগী মনুংদা লাখ ৬০ অমদি অনৌবা ভোত্তরশিংনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা চিফ ইলেক্সন কম্মীস্নর রাজিপ কুমারনা হায়- পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য ৫ গী বিধান সভা মীখল অসি ২০২৪ গী লোক সভা মীখল মঙওইননা পাঙথোকপা অরোইবা অমদি মরুওইবা মীখলনি। মীখল অসি নিয়ম চুমা পাঙথোকবা হোৎনগনি হায়না শ্রী রাজিপ কুমারনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়- কেন্দ্র ৫ অসিদা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১৭,৭৩৪ লৈগনি। মীখল মঙওইননা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শিজিন্নবা থিংনবা ইলেক্সন কম্মীসননা ইন্তর-ষ্টেট চেকপোস্ত ৪০ মথৌ তৌহনগনি। করিগুম্বা লান্না আইনগী ৱাংমদা ভোট খোম্বগী থবক চথুরবদি মীওই অমনা সি-ভিজিল এপকী খুথাংদা ইলেক্সন কম্মীসনদা ৱাকৎপা য়াগনি অমদি কমপ্লেন খুদিংমক মিনিত ১০০গী মনুংদা কম্মীসননা পাউখুম পীগনি।

অরোমদা, বি.জে.পিনা রাজ্য ৫ গী মীখল মতম লাউথোকপবু তরামা ওকপগা লোয়ননা দল অসিগী প্রসিদেন্ট জে.পি নদ্দনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা দল অসিনা রাজ্য ৫ মক্তা চাউনা মায়পাক্কনি অমদি লাক্কদৌরিবা চহি ৫ অসিদা মীয়ামগী অপাম্বা অমদি মঙলান মঙফাওনহন্নবা হোৎনগনি।

কংগ্রেস দলনসু মীখলগী মতম লাউথোকপগা মরী লৈননা মীয়ামগী থাজবা অমদি মতেংগা লোয়ননা দল অসিনা রাজ্য ৫ মক্তা চাউনা মায়পাক্কনি হায়না অশা তৌরি। দল অসিনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা পোস্ত অমদা হায়- রাজ্য ৫ দা কংগ্রেস মায়পাক্লবদি লৌউবা নহা অমদি নুপীশিংগী য়াইফবা ওইগনি।

নাগালেন্দগী তাপ্পী বিধান সভা কেন্দ্রগী মরক্কী মীখলসু মথং থাগী ৭ তা পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মীসননা লাউথোকখ্রে। মীখল অসিগী নোতিফিকেসননা থা অসিগী ১৩ দা থোক্কনি।

**গেমসঃ** মনিপুর মাস্তর এথলেতিক এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ৮২ শুবা ষ্টেট লেভেল মনিপুর মাস্তর এথলেতিক মিট ২০২৩ খুমন লাম্পাক্তা মেন্স ষ্টেদিয়মদা নবেম্বর গী তাং ৪ অমসুং ৫ দা হৌদোক্লগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা চীংমৈরোংদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ওফিসতগী থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম লৌরনবা খঙহল্লক্লি।

**ফুটবোলঃ** ২৮ শুবা হেরো সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পীয়নসিপ ২০২৩-২৪ শরুক য়ারুনবা শান্নরোইশিংগী মীং ওল মনিপুর মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা লাউথোক্লে। খল্লবা শান্নরোইশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্তিফিসেল টরফ গ্রাউন্দা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ৭ তা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবীরি--**

**সিক্কিমঃ** সিক্কিমদা হন্দক খঙহৌদনা থোকখিবা ঈচাউনা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩৪ শুরে। মসিগী মনুংদা আর্ম্মী পরসনেল ১০ য়াওরি। রাজ্য অসিগী দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিনা হায়- হৌজিক ফাওবা মীওই ১০৫ থিবা খঙদনা লৈরি অমদি মীওই লিশিং ২,৫৬৩ না কনবা ঙমখ্রে। মীওই লিশিং ৬,০৪৭ না তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্প ২৮ দা চংজফম লৌদুনা লৈরি। ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ত ওথোরিতিনা হায়- হন্দক্কী ঈচাউ অসিদা য়ুম লিশিং ১,৩৮১ অমাং অতা থোকখ্রে অমদি তিস্তা তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং ১৪ চেন্থখ্রে।

রাজ্য অসিদা গৃহ মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা ইন্তর-মিনিস্তরিয়েল সেন্ট্রেল টিম(আই.এম.সি.টি)না ঈচাউ অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা অমাং অতাশিং য়েংশিল্লি।

অমরোমদা, সিক্কিমগী চিফ সেক্রেটরি বি.ভি পাথকা আই.এম.সি.টি গা গেঙতোক্তা লৈবা তাশিলিং সেক্রেটরিয়েত্তা ঈচাউ অসিগী মরমদা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অসিদা চিফ সেক্রেটরি বি.ভি পাথকা ঈচাউ অসিনা অমাং অতা থোকহনখিবাশিং আই.এম.সি.টিদা পাউদমখি। চিফ সেক্রেটরিনা রাজ্য অসিদা মৈ, ঈশিং, লন্থী থোংনচিংবা কয়া শেন্থীনা হায়জখ্রে।

**পি.এমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা তানজানিয়াগী রাষ্ট্রপতি শামিয়া সুলুহু হাসনগা ঙসি ন্যু দিল্লদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা লালোন ইতিক , ঙাকশেল, হায়র ইদুকেসন অমসুং লৈবাক অনিগী মীওইশিংগী মরক্তা মরী ফগৎনবগী মরমদা খন্নখি।

তানজানিয়াগী রাষ্ট্রপতিগা লোয়ননা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মোদিনা হায়- তানজানিয়া অসি আফ্রিকাদা লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ভারতকা খ্বাইদগী নকবা মপাং ওইরি। লৈবাক অনি অসিনা লালোন ইতিক অমসুং শেল থাদবগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনরি। শ্রী মোদিন হায়- লৈবাক অনিনা ঙাকশেলগী লমদা চহি ৫ গী ওইবা রোদ মেপ অমা য়ান্নখি। মসিগী মখাদা মিলিটরি ত্রেনিং পীবা, দিফেন্স ইন্দস্ত্রি অমসুং বিল্ডিং কেপাসিতি হেনগৎহনগনি। তানজানিয়ানা ভারতনা জি-২০ সম্মীৎতা হৌদোকখিবা গ্লোবেল বাইও ফ্যুল এলাইন্সদা য়াওরকপদা প্রধান মিন্ত্র নরেন্দ্র মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি। লৈবাক অনিনা তেরোরিজম অসি মীওইবা জাতিগী খ্বাইদগী চাউনা শিংন্নরিবা অমনি হায়না মোটঅমত্তা ওইনা ফোংদোকখি।

**অয়ুসমান(এল)ঃ** অয়ুসমান ভবা কেম্পেইনগী মখাদা থা অমরোমদা লৈবাক অসিদগী ঈ-য়ুনিট লাখ ৩ রোম হেন্না খোমজিনবা ঙমখি। কেম্পেইন অসি মমাং থাগী ১৭ তগী থা অসিগী অনি ফাওবা চথুখিবা সেবা পখ্বারাগী মনুং চন্ননা পাঙথোকখিবনি। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোস্ত অমদা হকশেল মন্ত্রি ডা: মন্সুখ মন্দাবিয়ানা হায়-হান্না চহি অমদা ঈ-য়ুনিত লাখ ৯ খক্তমক ফংবা ঙল্লম্বনি। কেম্পেইন অসিগী মখাদা ঈ-দান তৌদুনা মীওইবগী সেবদা শরুক য়াখিবশিংবু শ্রী মন্দাবিয়না থাগৎপা ফোংদোকখি।

**রাজনাথ ঃ** কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহ্ নুমিৎ ৪ গী ইতালি অমদি ফ্রান্সগীদমক ঙসি ন্যু দিল্লি থাদোক্লগনি। ঙাকশেল মন্ত্রিনা ইতালিয়ান দিফেন্স মিনিস্তর গুইতো ক্রোসেতোগা রোম সহরদা উন্নদুনা লৈবাক অনি অসিগী স্ত্রেতজিক পার্টনরসিপ ফগৎহন্নবা খন্নগনি।

মহাক্কী ইতালিগী খোংচৎকী তুংদা রাজনাথ সিংহনা ফ্রান্সকী পেরিসতা পাঙথোক্কদবা ৫ শুবা এন্যুয়েল দিফেন্স দাইলোগতা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা ফ্রেন্সকী আর্মদ ফোর্সেস মিনিস্তর সেবাস্তিয়ান লেকোনুগা লৈবাক অনিগী ঙাকশেলগী মরী ফগৎনহন্নবা খন্নগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রিনা রোম অমসুং পেরিসতা লৈরিঙৈদা দিফেন্স ইন্দস্ত্রিসকী সি.ই.ওশিংগা উন্নদুনা ইন্দস্ত্রিয়েল কোওপরেসনগী মরমদা ৱারি শান্নগনি।

**ৱারঃ** ইজরেল অমসুং হমাসকী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মীওই লিশিং ১,১০০ হেন্না লৈখিদ্রে অমদি গাজা স্ত্রিপতা মীওই লাখ ১ লিশিং ২৩ হেন্না লাঞ্জেন্নরি। য়ুনাইতেদ নেসননা হায়- হৌজিক মফম অদুগী মীওই লিশিং ৭৩ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। ইজরেলবু শৌগৎপা ওইনা আমেরিকানা ফাইতর জেট অমসুং ৱার সিফশিং পীখ্রে। ইরাং অসি হামাসনা হৌখিবা থাংজা নুমিত্তা রোকেট কাপশিন্দুনা লান্দাবদগী হৌরকখিবনি। ইরাং অসি তোকবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা আপিল তৌনরক্লি।

**ইনর্জি(এল)ঃ** কেন্দ্রগী পেট্রোলিয়ম মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়রি- ইজরেল অমসুং পেলিস্তানগী মরক্তা উনখৎনরিবা অসিনা ভারত্তা ইনর্জিগী লমদা চৈথেং পীবা ঙল্লোই।ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ২৬ শুবা ইনর্জি তোকোলোজি মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী পুরিনা হায়- সরকারনা ফীভম অসি কুপা য়েংশিল্লি। মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিনা ইনর্জিগী লমদা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। লৈবাক অসিনা রিন্যুএবল ইনর্জি হেন্না শিজিন্নবা হোৎনরি। নুমিৎ হুমনি চথ্বগদবা মীফম অসিগী থিমদি -ইমরজিং ইনর্জি ট্রেন্স এন্দ ফিউচর ওফ রিফাইন্নিং হায়বসিনি।

**অসাম ঃ** অসামদগী আমর্দ ফোর্সেস স্পিসিএল পৱারস এক্ট-১৯৫৮ মপুং ফানা লৌথোক্লগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্তা বিশ্ব শর্ম্মনা থাজবা পীখ্রে। ৱাফম অসি সরকারগা শান্তিগী ৱারী শান্নদুনা লৈরিবা অধিবাসি মিলিটেন্ট ওর্গনাইজেসন মঙাগী মীওই লিশিং অমা হেনবদা ফাইনান্সিএল গ্রান্ট পীবগী থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

শ্রীমন্তা শঙ্করদেব কালাসেত্রা ইন্তরনেসনেল ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক হৌজিক আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট অসি অপ্পর অসামগী জিলা মরিখক্তদা চৎনদুনা লৈরি। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা এক্ট অসি লৌথোকবা থৌরাং লৈরে।

**আফগান ঃ** অফগানিস্তানদা হাখিবা অকনবা য়ুহার অদুদা শিখিবা মীগী মশিং লিশিং ২,৪০০ হেনখ্রে। চহি ২০ গী মনুংদা থোকখিবা য়ুহার হাবগী থৌদোকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মীশি মীনা অমদি অমাং অতা থোকখিবশিংগী মনুংদা অমনি। মখা তানা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথ্বরি।

য়ু.এন. ওফিস ফোর কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিতরিয়ান এফ্যারসকী মতুংইন্না য়ুহার অসিনা য়ুম ৪৬৫ হেন্না তুমা মাংহনখ্রে অমদি য়ুম ১৩৫ হেনবনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা হাখিবা য়ুহার অসিগী ইপিসেন্তর হেরাত্তগী কিলোমিতর ৪০ চৎলগা লৈবা মফমদা ওইখি।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক হন্না--**

১) রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসিদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা অকনবা মওংদা ওপরেসন চত্থবা হৌরে।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

৩) ইলেক্সন কম্মীসননা মীজোরাম,ছাতিসগর, মধ্য প্রদেশ, রাজস্তান অমসুং টেলঙ্গন বিধান সভা মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে।

৪) সিক্কিমদা হন্দক খঙহৌদনা থোকখিবা ঈচাউনা লৈখিদবা মীগী মশিং ৩৪ শুরে। মসিগী মনুংদা আর্ম্মী পরসনেল ১০ য়াওরি।

**অমসুং**

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা তানজানিয়াগী রাষ্ট্রপতি শামিয়া সলুহু হাসনগা ঙসি ন্যু দিল্লদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

**---পাউ লোইজরে---**